

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা এফসি পুনে সিটিগী টেক্নিকেল দিরেক্তরগী নৌনা ফম পায়খ্রবা ইন্দিয়াগী হান্না ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইরম্লবা গোৱা মচা দেরিক পেরৈরা*

*ক্রুকসাইদ জিসিসি অমসুং লেকস গোল্ফ টুর্নামেন্টতা ৫শুবা তাদুনা মথং চয়োলদা পাঙথোক্লদৌরিবা য়ুএস ওপন গোল্ফ টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী গোল্ফর সুভাঙ্কর শর্মা*

## মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অকনবা শান্নরোইশিংগা থেংনরবা য়ারি

*ন্যু দিল্লি, জুন ০৫ঃ*

থা অসিগী ২৬ তগী জুলাই ১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেসিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর টু জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা থেংনরবা য়ারি।

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসননা ঙসি ফোঙদোরকখিবা দ্রোদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা হোকোংগী শান্নরোই য়িপ পুই য়িনগা থেংনরগনি। করিগুম্বা মেটচ অসি মায় পাক্লবদি গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট ৱার্ল্ড নম্বর টু জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা থেংনরবা য়ানা লৈরি।



*ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস বেদমিন্টন শান্নরোই সাইনা নেহৱাল*

ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু ঙসি লাওথোরকখিবা দ্রো অসিদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমসুং রিও ওলিম্পিক চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা তামিন্নরি।

মশাগী চহী ২২ শুরবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোই অয়া ওহোরিগা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং মায় পাক্কুনা মথং-মথং চঙনরক্লবদি ফাইনেলদা লম্বা তৌনবা য়াবগী তাঞ্জা অমা লৈরি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৪ ইন্দিয়াগী কিদম্বি শ্রিকান্থ দেনমার্ককী ভিক্তঃর এক্সেলসেন, মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈ, চাইনাগী লিন দান অমসুং চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোই সি য়ুকিগা হাল্ফ অমত্তদা লৈমিন্নদুনা লম্বা তৌনগদৌরি।

শ্রিকান্থনা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর টু ইন্দোনেসিয়াগী জান ও জের্গেসেনগা লম্বা তৌনগনি। করিগুম্বা মেটচ অসি মায় পাক্লবদি অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই বি সাই প্রনিথকা থেংনরবা য়ারি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সমির বর্মনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দোসেয়িাগী শান্নরোই টোমী সুগিয়ার্টোগা লম্বা তৌনগনি। করিগুম্বা মেটচ অসি মায় পাক্লবদি মহাক্লা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী চেন লোংগা শান্নবগী তাঞ্জা অমা লৈরি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র চিরাগ সেট্টি অমসুং সাটৱিকরাজ রানকিরেদ্দিনা ৭শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী টাকুটো ইনৌ অমসুং য়ুকি কানেকোগা অহানবা রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলস পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দিনা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মোহমদ অসান অমসুং হেন্দ্রা সেটিয়াৱানগা শান্নরগনি।


নাকল অমরোমদা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলস শান্নরোই অমত্তা শরুক য়াখিদ্রে।

মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেয়র এন সিক্কি রেদ্দি অমসুং প্রনভ জেরি চোপ্রানা লুচিংদুনা অহানবা রাউন্দদা ৪শুবা সিদেদ চাইনাগী পেয়র ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংগা অহানবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মিক্স দবলসকী পেয়র রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গনা মখোয়গী অহানবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী হি জিটিং অমসুং দু য়ুইগা লম্বা তৌনরগনি।

## ইটালি অমসুং নেদরলেন্দস পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে মোরোকো অমসুং চিলি মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে

*রোম, জুন ০৫ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ১৪ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী শেম শাবা ওইনা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ইটালি অমসুং নেদরলেন্দস পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা মোরোকো অমসুং চিলি মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।



*নেদরলেন্দসকী শান্নরোই নথান আকে (ওই)না ইক্কেলাইজর চল্লবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকপা*

ইটালি অমসুং নেদরলেন্দসনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা সাইমোন জাজানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা নেদরলেন্দসতগী গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোই দোমেনিকো কৃসটিকোনা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইদা নিয়ম লান্না ফাওল তৌরুবগীদমক মেটচ অদুগী রেফরিনা রেদ কার্দ উত্তুনা তান্থোকখিবদগী ইটালিগী শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই মশীং হন্থবগী খুদোংচাবা লৌদুনা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা নাথান আকেনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লবা মতুং মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা মোরোকোনা স্লোভাকিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোই জান গ্রেগসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেরোকোবু মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোথ্বরবা মোরোকোগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা অয়ৌবা কাবীনা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা মোরোকোগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই য়ুনেস বেলহান্দানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মোরোকোনা স্লোভাকিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা চিলিনা সভিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক পাঞ্জল লৈনখিদে। চিলিগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা গুইলরমো মারিপাননা চন্দুনা মেটচ অদু চিলিনা সর্ভিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

## অনৱার আলি মিনর্ভা পঞ্জাবতগী মুম্বাই সিটি এফসিদা য়াওখ্রে

*মুম্বাই, জুন ০৫ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই লীগকী ৱিন্নর ওইখ্রবা মির্নভা পঞ্জাবতা শান্নরম্বা অনৱার আলি মুম্বাই সিটি এফসিদা য়াওখ্রে।

মশাগী চহী ১৮ শুরবা অনৱার আলি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিমদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোই অমনি।

কুমজা ২০১৭ /১৮ সিজনগী আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মুম্বাই সিটি এফসি ৭শুবা পোজিসন তাদুনা লৈখিবনি। অদুগা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা সুপর কপ্তা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনদা লৈহৌবনি। নৌনা মুম্বাই সিটি এফসি টিম অসিদা য়াওখ্রবা পঞ্জাব মচা অনৱার আলিনা চহী ১৮ মখাগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ত্রান্সফার ফি ওইরি।

অনৱার আলি মুম্বাই সিটি এফসিদা নৌনা সাইন তৌনখ্রবসু হন্দক লাক্কদৌরিবা আই লীগকী সিজন অসিদা মির্নভা পঞ্জাবতা লোন ওইনা শান্নগনি হায়নসু পাও অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 217/SDC/B/IE of 2018

1. Thingujam Inao Singh S/o (L) Th. Ibopishak Singh of Kyamgei
2. -do- Romesh Singh S/o (L) Th. Ibopishak Singh of -do-
Petitioners

-Vs-

Thingujam Ibopishak Singh S/o (L) Th. Kuber Singh of Kyamgei
Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 5th June 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮–কিয়ামগৈ পট্টা নং ৩২১ অনৌবা দাগ নং ৬৭ মোট এরিয়া ০.২৪০০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার থিংগুজম ইবোপীশক সিংহ পীং মৃঃ কুবের সিংহ সাং কিয়ামগৈদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East


SL/3732(b)/06


## ওষ্ট্রিয়াগী থিয়েমনা জর্মনিগী জ্বেরেভপু মায়থিবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলসতা য়ুএসএগী কিজসু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*পেরিস, জুন ০৫ঃ*

ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে। য়ুএসএগী মেদিসন কিজসু মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।





*নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ওষ্ট্রিয়াগী থিয়েম অমদি নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা য়ুএসকী কিজ*

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট থিয়েমনা জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা দোমিনিক থিয়েমগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উৎতুনা জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

সেট অনী মাঙজিল থারবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা অহুমশুবা সেট অদুদা হেন্না ফজরক্কুনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৩শুবা সিদেদ য়ুএসএগী মেদিসন কিজনা কজাখষ্টানগী য়ুলিয়া পুটিনসেভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং মেদিসন কিজনা কজাখষ্টানগী য়ুলিয়া পুটিনসেভাবু টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা য়ুএসএগী মেদিসন কিজনা অনীশুবা সেট অদুদা কজাখষ্টানগী য়ুলিয়া পুটিনসেভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএগী অতোপ্পা শান্নরোই ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই স্লোনে ষ্টেফেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১৪শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ১২শুবা সিদেদ পেয়র স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজনা ২শুবা সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ পেয়র ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জেন পিয়র্সপু ৬–৪, ৬–৭(২–৭), ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র কলম্বিয়াগী সেবাষ্টিয়ান কবাল অমসুং রোবার্ট ফারাবু ৩–৬, ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী চান হাও চিং অমসুং চাইনাগী য়াং ঝাওঝুৱাননা বেলজিয়মগী পেয়র ইরিনা বারা অমসুং মিহেলা বুজারনেস্কুবু ৬–৩, ১–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

৬শুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমসুং কেটেরিনা সিনিয়াকোভানা ৩শুবা সিদেদ পেয়র স্লোভেনিয়াগী এন্দ্রিজা ক্লেপাক অমসুং স্পেনগী মার্টিনেজ সঞ্চেজপু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা ন্যু জিলেন্দনা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মুম্বাই, জুন ০৫ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক ৪না শান্নরিবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ন্যু জিলেন্দনা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*ন্যু জিলেন্দগী কেপ্টেন ৱিন্সটন রেদ (য়েৎ) টিমমেট খৃষ্ট ৱুদ*

ন্যু জিলেন্দ অমসুং চাইনিজ তাইপৈনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী মিনট ৩০ হেন্না চঙশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোই ষ্টেফান বেভান্সনা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা চাইনিজ তাইপৈবু মখোয়না ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৯ লোমগী মতম অদুদা চাইনিজ তাইপৈগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দাক্লবা হোৎনখ্রবসু হাল্ফ অদু লোইশিনখ্রবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্দুনা অহেনবা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি। অনীশুবা হাল্ফ অদুদা এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক ৪ না শান্নখিবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মেটচ ২ শান্নখিবদা অনীমক মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ঙসি মায় পাকখিবা ন্যু জিলেন্দনা মেটচ ২ শান্নবদা মেটচ অমা মায় পাকখিবা অমদি মেটচ অমনা মায়থিখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ৩ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 218/SDC/B/IE of 2018

1. Kshetrimayum Tomba Singh S/o (L) Tonu Singh of Singjamei Thong Wangma Torban Kshetri Leikai
2. -do- Loken Singh S/o (L) of -do-of-do-
3. Oinam (O) Yaima Devi D/o (L) -do-of-do-
4. Adhikarimayum (O) Ashalata Devi D/o (L) Ksh. Tonu Singh of Brahmapur Bheigyabati Leikai
Petitioners

-Vs-

Kshetrimayum Tonu Singh S/o (L) Atomba Singh of Kshetri Leikai
Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 5th June 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫০–তোরবান পট্টা নং ৩০১ অনৌবা দাগ নং ১২৩ মোট এরিয়া ০.১১ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার ক্ষেত্রিময়ুম তোনু সিংহ পীং মৃঃ অতোম্বা সিংহ সাং ক্ষেত্রি লৈবাকইদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/3732(c)/06



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 216/SDC/B/IE of 2018

(i) Akoijam Jugeshwor Singh S/o (L) Mani Singh of Thongju Waikhom Leikai
(ii) -do- Hemochandra Singh S/o (L) -do-of-do-
(iii) -do- Dhananjoy Singh S/o (L) -do-of-do-
(iv) -do- Bijoy Singh S/o (L) -do-of-do-
(v) -do- Ibomcha Singh S/o (L) -do-of-do-
Petitioners

-Vs-

(1) Akoijam Mani Singh S/o (L) Manikchand Singh of Kyamgei
(2) -do- (O) Meipakpi Devi W/o (L) -do-of-do-
Pattadars

**NOTICE**

Bashikhong, the 5th June 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮–কিয়ামগৈ পট্টা নং ২১ অনৌবা দাগ নং ২২ মোট এরিয়া ০.৫৩২০০ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদারশিং ১) অকোইজম মনী সিংহ পীং মৃঃ মনিকচান্দ সিংহ সাং কিয়ামগৈ ২) এ ওংবী মৈপাকপী দেবী পতি মৃঃ ঐ সাং তথা দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/3732(a)/06